Friday, November 18, 2022, Imphal

হুয়েন লানপাও
Hueiyen Lanpao

# অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজে ঙসি হৌরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১৭(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এম্পা)না শীন্দুনা অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজে চেম্পিয়নশিপ নভেম্বর ১৮ ইরাই নুমিৎতা মনুং কাংজৈবুং কংলাদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না টিম ১৪না শরুক য়ারি। টিমশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন, চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন, লম্ফেল পোলো ক্লব, মণিপুর পুলিস পোলো টিম, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন, ক্রিপসা পোলো ক্লব, নম্বুল মপাল পোলো ক্লব, তেন্থা পোলো ক্লব, সী আর পি এফ পোলো টিম, লমন সগোল ক্লব, অসাম রাইফলস পোলো টিম, পেরাদাইজ পোলো ক্লব অমদি ইকোপ নিংথৌ সগোল কাংজৈনি।

অহৌবা নুমিৎকী মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন অমদি চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ২৭ ফাওবা চথগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী নিংথৌ সনাজ াওবা লৈশেম্বনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়ারগনি।

## এম য়ু ইন্টর কোলেজ বেষ্ট ফিজিক

# সরতচন্দ্রনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১৭(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবনা য়ূম্লু ওইদুনা কোলেজ অসিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)না কন দক্ট তৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা এন সুরেন্দ্র মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ বেষ্ট ফিজিক (মেল) কম্পিটিসনদা মোরে কোলেজকী সরতচন্দ্র হুইরোংবমনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

মহাক্লা কেজি ৮৫গী কাঙলূপ্তা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

কম্পিটিসন অসিদা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন অদুগা পেটিগ্রু কোলেজ উখ্রুলনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা পোল ষ্টার কোলেজ হিয়াংলমগী সচিদানন্দ লৈমপোকপমনা অহানবা, বিরমঙ্গোল কোলেজ সওম্বুংগী পি ঐচ অরুন মৈতৈনা অনীশুবা অমদি ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবগী সটিশ পুখ্রম্বমনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

কেজি ৬৫গী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল কোলেজকী নোংথোম্বম নোঙ্গিশ ঙানবনা অহানবা, ষ্টেন্দর্দ কোলেজকী সোরাইসম লম্থোইবনা অনীশুবা অমদি পেটিগ্রু কোলেজকী পাউতম ভাসুমনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৭০গী কাঙলূপ্তা ষ্টেন্দর্দ কোলেজকী থোকচোম য়াইস্না, কমক্ষ্য পেমটোন কোলেজ হিয়াংলমগী কিয়াম দিনেশকুমার অমদি পেটিগ্রু কোলেজকী ৰুঙ্গ্রৈথৈ লুংহারৱোনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

কেজি ৭৫গী কাঙলূপ্তা ৱেষ্টর্ন কোলেজ য়ুরেম্বমগী লৈমজম নোংথাংনা অহানবা অমদি ককচীং খুনৌ কোলেজ উমাথেলগী থিংনাম রোশন মৈতৈনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

কম্পিটিসন অসিদা তোঙান-তোঙানবা ইন্সটিট্যুট ১০দগী লাকপা শান্নরোয় ২০না তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরি মঙাদা অথোই-অহেন তান্নখি।

# হিরো আই লীগ : নেরোকা অমদি সুদেভা এফ সী ঙসি শান্নরগনি



ইম্ফাল,নভেম্বর ১৭(ঐচএনএস): এ আই এফ এফনা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগ ২০২২-২৩গী টিম অমা ওইরিবা নেরোকা এফ সীগী অনীশুবা হোম মেটচতা সুদেভা এফ সীগা ইরাই নুমিৎতা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

মেটচকী মাংওইননা ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মগী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা নেরোকাগী হেদ কোচ ৱাংখেম খোগেননা ফোঙদোরকপদা, ঐখোয়গী মমাংগী মেটচ কুপ্না খন্নরবা মতুং হয়েংগী মেটচকী ফোর্মেট অমদি প্লেয়িং ষ্টাইল খরা হোংদোকপা য়াই। অদুবু মেটচ অসি শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমগনি হায়খি।

নেরোকাগী গোলকিপর সোরাম পোইরৈ অঙম্বা মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, মমাংগী মেটচতা ফজনা শান্নখি অদুবু লাইবক থীবদগী অনীশুবা হাফকী অথেংবদা চনখিবা গোলনা রিয়াল কাশ্মীরগী মখূৎতা মায়থীখিবনি। কোচনা তাকপা পাউতাকশিং শান্নরোয়শিংনা ইন্দুনা হয়েংগী মেটচ অসি মায় পাক্কনি অমদি মণিপুরগী ফেনশিংগী মমাংদা টিমনা তৌবা ঙম্বসু উৎকনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হয়েংগী মেটচ অসিবু ফেনশিংনা লাকপীদুনা সপোর্ট তৌবীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

সুদেভা এফ সীগী জপানিজ কোচ অটসুসি নাকামুরানা ফোঙদোকখিবদা, হয়েংগী মেটচ অসিগীদমক শেম শাবা লোইরে। ঐখোয়না নেরোকা এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা মহাক্কী টিমদা য়াওরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৪ অসিগী মনুংদা শান্নরোয় খরদি হয়েংগী মেটচতা শরুক য়াগনি হায়খি।

সুদেভা এফ সীগী মিদফিল্ডর সৌভিক দাসনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী মমাংগী মেটচ য়েংলুরগা অমদি মথংদা আইজোল এফ সীগা অমুক থেংনগদবা লৈবনা হয়েংগী মেটচ অসিদগী হৌনা মায় পাকপা য়াম্লমক মথৌ তাই হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা সুদেভা এফ সীগী মীদিয়া মেনেজর অমিট চকোরবোর্টি অমদি টিম মেনেজর অভিসেক দাসসু শরুক য়াখি।

## মণিপুর ষ্টেট লীগ

# মোনিশকী গোলনা নেসু মায় পাকখ্রে, এম পি এস সী অমদি য়ু কে বি দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১৭(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাইনা য়ারখোক য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমদি য়ুনাইটেদ খোজিম ব্রদর্স (য়ু কে বি) ১-১দা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে।

মায় পাকখিবা নেসু খুরাইনা পূন্না মেটচ ৮ শান্নখিবদা ২ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো ওইদুনা অমদি ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী ৯শুবদা লৈরি। য়ারখোক য়ুনাইটেদনা মেটচ ৮ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা ৭ মায়থীদুনা টেবলগী ইরোই লোইবদা লৈরি।

এমপিএসসীনা মেটচ৮ শান্নখিবদা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো ওইদুনা ২ মায়থীরগা পোইন্ট ১২ ফংদুনা টেবলগী ৪শুবদা লৈরি। অদুগা য়ু কে বিনা মেটচ ৮ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা ৩ মায়থীরগা পোইন্ট ১১ ফংলগা টেবলগী ৫শুবদা লৈরি।

আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা নেসু খুরাই অমদি য়ারখোক য়ুনাইটেদ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা নেসুগী য়ুম্নাম মোনিশনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা অনীশুবা হাফ হৌরকপগী শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা নেসুগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি কাংজম অমিটকুমার মৈতৈনা মায় পাকখিবা নেসুগী শান্নরোয় ৩- দেভিদ খমচিন ঙাইটে, সোনিট থাপা অমদি নোংথোম্বম অভিনাশ শান্নবগী ২৫, ৪০ অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম পি এস সী অমদি য়ুনাইটেদ খোজিম ব্রদর্স ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদে। অনীশুবা হাফতা য়ু কে বিগী মাংলিয়ান বোই ভাইফৈনা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা লালসিয়ামথাং ফিমাটেনা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি ঙাইরাংবম অনন্দনা য়ু কে বিগী লালমিনলুন শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা অদুগা মণিপুর পুলিসকী নোংথোম্বম বোবোইসনা অমদি হাওখোসৈ শান্নবগী ৪৩ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

লীগ অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ১৯ থাংজ নুমিৎতা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ বিগী মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা এস এস য়ুশীংজমৈ অমদি এ আই এম খাবম লমখাই, অনীশুবদা জি এস সী অমদি নেরোকা শান্নরগনি।

## ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# অপূনবা শান্নরোয় ৮৩১গী মনুংদা ৬০৮দি য়ুরোপিয়ন ক্লবশিংগী শান্নরোয় ওইরি

### ষ্টারশিংগী মনুংদা লিওনেল মেসি, ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি নেমারনা ফাইনেল শোটতা মায় পাক্লবা শেম শাখ্রে

### কটারগী ফজরবা ষ্টেদিয়ম ৮দা শান্নগদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকী কুম্মৈ শুপ্নগী নুমিৎ ২নি খক্তা ঙাইরে

লৈবাক ৩২গী অপূনবা শান্নরোয় ৮৩১না শরুক য়াদুনা নভেম্বর ২০দগী দিসেম্বর ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা শান্নরোয় ৬০৮ দি য়ুরোপিয়ন ক্লবশিংদা শান্নবা শান্নরোয়শিং ওইরি।

পূন্না গেম ৬৪ শান্নগদৌরিবা অচৌবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইরান নৎতনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী স্কৱাদশিংদি শান্নরোয় ২৬/২৬ ওইরি অদুগা ইরাননা ২৫ খক্তা ওইরি। শান্নরোয়শিং অয়াম্বা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিং অমদি লীগশিংদা শরুক য়াবা শান্নরোয় ওইরি। অদুবু সাউদি অরাবিয়া অমদি হোষ্ট টিম কটারগী ওইনা মখোয়গী লৈবাক্কী লীগ টুর্নামেন্টশিংগী ক্লবশিংদা শান্নবা শান্নরোয় ওইরি।



হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন ক্লবশিংদা শান্নবনা অয়াম্বনি। অনীশুবদা এসিয়ন ক্লবশিং মতুং তারকপদা নোর্থ অমেরিকাদা শান্নবশিংনি।

অপূনবা শান্নরোয়গী ৫ থোকপগী ১ পূন্না শান্নরোয় ১৫৮না ইংলিশ লীগতা, স্পেনিশকী লালিগাদগী শান্নরোয় ৮৬ অমদি জর্মন বুন্দেসলিগাদগী শান্নরোয় ৮১নি। য়ুরোপিয়ন ক্লবশিংগী মনুংদা বেয়র্ন ম্যুনিকতগী খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা শান্নরোয় ১৭ কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারি। মদুগী মতুং মেঞ্চেষ্টর সিটি, বর্সেলোনা অমদি অল সাদ্দতগী শান্নরোয় ১৬/১৬না মখোয়গী লৈবাকশিং মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, জর্মনি ২০০৬ ৱর্ল্ড কপতা ষ্টেন্দ আউট প্লেয়র ওইনা শরুক য়ারম্বা ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি লিওনেল মেসি য়াওনা ফাইনেল শোট অসিদা মায় পাক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে।

হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা অর্জেন্টিনাগী চহী ৩৫ শুরবা লিওনেল মেসি অমদি পোর্টুগলগী চহী ৩৭ শুরবা ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো খক নৎতনা অতোপ্পা শান্নরোয় খরগীসু অরোইবা ৱর্ল্ড কপ ওইবা য়ানা লৈরি। মসিগী মনুংদা ব্রাজিলগী চহী ৩৯ শুরবা দেনি অলভেস, পোর্টুগলগী পেপে, চহী ৩৮ শুরবা থিয়াগো সিলভা, চহী ৩৭ শুরবা লুকা মোদ্রিক, চহী ৩৬ শুরবা মেন্যুএল ন্যুৱর, ওলিভর গিরোদ, লুইস স্বারেজ, চহী ৩৫ শুরবা এদিন্সন কবানি অমদি হ্যুগো লোরিস য়াওরি।

অমরোমদা, ফিফা কাউন্সিলনা চহী অসিগী মার্চ ৩০দা ইলেক্সনগী কোল ইস্যু তৌখিবগী মতুংইন্না মথং চহীগী মার্চ ১৬তা রাৱন্দাগী কিগালিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৩ শুবা ফিফা কোংগ্রেসকী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবা প্রসিদেন্ট ইলেক্সনগী মীওই অমত্তা থাগৎলক্তবনা মরম ওইরগা হান্নগী ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফেন্টিনোনা মখা তানা চহী ৪ অমগা প্রসিদেন্টকী ফম পুরগনি।

পনবা য়াবদি, ২০১৬তা ইনফেন্টিনোনা কেফি দদেট ৫গী রেসতা মায় পাক্তুনা সেপ ব্লেট্টরগী মহুৎ শিনখিবনি। মদুগী মতুং লম্বা য়াওদনা ২০১৯দা অমুক হন্না প্রসিদেন্ট খনখিবনি।

# জুদোগী খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১৭(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল খাঙবোকময়াই লৈকাইদা ঙসি জুদোগী খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংদোকখ্রে।

সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর তখেল্লম্বম ফুলেন মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর টি চিত্তরঞ্জননা থৌরম মপু অদুগা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সিনিয়র ফাইনান্স ওফিসর এন পারিথোইহেনবা, দেপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবা, স্পোর্টসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ৱাই বোনি, এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর এল অনিতা চনু অমদি দি ৱাই এ এস ও চান্দেলগী ভিপি এস রনবিরনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# এম য়ু বেদমিন্টন টিম শেম্নবা ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১৭(ঐচএনএস): ছটিশগরগী এ পি এস রেৱা য়ুনিভর্সিটি অমদি ও পি জিন্দাল য়ুনিভর্সিটিদা দিসেম্বর ২৭তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টুর্নামেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিং লৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ১১দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিগীদমক হন্দক্তা পাঙথোকখিবা আর কে ব্রোজেন মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতগী খনগৎলবা নুপা শান্নরোয় ১২ অমদি নুপী শান্নরোয় ৭না শরুক য়াগদবনি।

নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি মাঙ্গোলঙানবী কোলেজগী ঐচ রোহেনকুমার, রোহিট ওইনাম; এন জি কোলেজ গী এন নন্দরাজ; লিবরেল কোলেজগী সোভারাজ নিংথৌজম; ৱেষ্টর্ন কোলেজগী কে আর্বিন্দ; খা মণিপুর কোলেজগী এম বিকাস; টি এম সীগী সাহেন সগোলশেম; মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কে ঐচ রোবিনসন, আর কে তেলেনসনা, জি রাজেশ, থাংলাল জেম অমদি কে অলেক্সনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা বিরমঙ্গোল কোলেজকী ঐচ ভিলিন্দা অমদি এল শিতল; মাঙ্গোলঙানবী কোলেজগী এল দাইনা; এস কে দল্লিয়ু সীগী ঐচ লেদনা, সেলিনা হাওরোংবম, এল রিনা অমদি এস প্রেমিলানি।

# ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট নভেম্বর ২২দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল,নভেম্বর ১৭(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২২দগী ২৯ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হৌদোক্তুনা পাঙথোক্লগনি।

মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসগী মীদিয়া সব-কম্মিটিগী চ্যেরমেন নিংথৌখোংজম তোম্বীরাজনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী ওইবা কোভিদ পেন দমিকনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহী ২ ইন্টরনেসনল পোলো পাঙথোক্লু দ্রবা মতুং হন্দক অমুক নৌনা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মপান লমগী টিম য়ু এস এ অমদি য়ু কে হৌজিক ফাওবদা কনফর্ম তৌরে অদুগা সিঙ্গাপোর অমদি সাউথ অফ্রিকা টিমসু হৌজিকমক্কী ওইনা কনফর্ম তৌদ্রবসু পাউ ফাওনরি। ইন্দিয়াগী টিম অহুম-ইন্দিয়ন পোলো এসোসিএসন (আই পি এ) ইন্দিয়া-এ, ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) অমদি ইন্দিয়ন নেভি টিমনা শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শীজিন্নগদবা শগোল ৯০গী লৈফম শেম শাবা লোইরে। থা অসিগী ১৯দগী লৈবা হৌরগনি অমদি সগোলশিংগী চানবা অমদি লৈনবগীদমক ভেটিরিনরি কম্মিটি অমদি ষ্টেবল কম্মিটিনা য়েংশিল্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা টেক্নিকেল কম্মিটিগী চ্যেরমেন নিংথৌখোংজম বেদজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৬না শরুক য়াগনি। ইন্দিয়াগী টিম অহুম অমদি ফোরেনগী টিম অহুমগী মনুংদা সাউথ অফ্রিকাসু কনফর্ম তৌরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসি য়াম্না শেল চঙবা টুর্নামেন্টনি। হন্দক চহীগী ওইনা ষ্টেট লৈঙাক য়াওনা এস বি আই, ও এন জি সী, এল আই সীনচিংবা তোঙান-তোঙানবা কম্পেনিশিংগী মতেং ফংলি হায়খি।


হন্দক্কী সিজন অসি লোইবগা এপ্রিল থাদগী হৌদুনা ফিল্ড শেমজিন্নবগী থৌরাংসু তৌরে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মীদিয়া সব-কম্মিটিগী মেম্বর মনিবাবু লিকমাবম অমদি ৱাহেংবম টিকেনসু শরুক য়াখি।



*ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবা টি প্রদিপ কুমার (কেপ্টেন), এস সদানন্দ, এল অতাঙবা (মথক), এল রোহিট, এল থোমসন, পি ওজিৎ (মখা)(ওইদগী য়েৎ)*

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 632

**GM Le Quang Liem (2712) - IM Vo Thanh Ninh (2414)**
**7th HD Bank Cup 2017 Ho Chi Minh City VIE, 2017.03.12**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 d5 | 4.Nf3 Be7 |
| 5.Bf4 O-O | 6.e3 b6 | 7.Rc1 Bb7 | 8.cxd5 exd5 |
| 9.Be2 c6 | 10.Ne5 Nfd7 | 11.Nd3 a5 | 12.O-O Bg5 |
| 13.Bg3 Bh4 | 14.e4 Bxg3 | 15.hxg3 dxe4 | 16.Nxe4 Ra7 |
| 17.Re1 c5 | 18.Nd6 cxd4 | 19.Nf4 Nc5 | 20.Qxd4 Nc6 |
| 21.Qd2 Ba6 | 22.Bxa6 Rxa6 | 23.Nh5 Ra7 | 24.Rcd1 Rd7 |
| 25.Qc3 f6 | 26. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 631 Ans. :**

10. ...Ra3 The black rook deflects White's pawn away from protecting the knight. Opening the line from c3 to a1.

Your moves:10...Bxc3+

11. bxa3 Bxc3+ The black bishop forks White's rook and king. 12. Kd1 Bxa1

10. ...Ra3

0-1



HL-P/4575/1-30/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com